# ১৭শুবা মণিপুরী মতম ঈশৈ নুমিৎ ২০২০

*- নানি -*



ঐনা মালেমদা খোঙদারক্তুনা হঙা মীকপ থোক্লকপবু, কনাগী অকনবা শাফু অমনা থিংবা ঙম্ফম থোকপগে? ঐ অমনা তাইবঙদা খোঙদারকপগী মরু ওইবা কয়া অদু ঐনা অমদি ঐগী ইচা-ইশুশিংনা নীংশিংজবা হায়বসিদি মালেমগী ওইবা অকনবা য়াথং অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই। হোয় থৌরম অদু ময়াং কংনা শিনখিবদি য়াই, অদুবু মদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি মদুগী মরু ওইবা কয়া অদুবুদি কৈদৌনুংদা ময়েং তাহনবা ঙম্লোই। থৌরম অমগী মরু ওইবা কয়া অদুদি পূক্লিংদা, ৱাখলদা মোঙহনবা ঙম্বা অদুনি হায়না হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মালেম অসিদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবা খুদিংমকপু মাঙ তাকহল্লগে হায়বগী মতাগুমনা SARS CoV2 হায়বা ভাইরস অমনা কোভিদ-১৯ (কোরোনাভাইরস দিজিজ ২০১৯) হায়বা মীংথোল লৌরগা লান্দারক্তুনা মালেমগী মফম খুদিংমক শন্দোরকখ্রে। কন-থৌরবা অমদি মতিক ময়াই চেল্লবা কয়া অমা লানফম অসিদা তুখ্রে। মালেমদা মমিং লৈরবা চাওখৎলবা তৌগেতা ঙল্লবা লৈবাক কয়াসু লাল অসিবু থিংবা ঙমদ্রি। মদুগী মহুত্তা লানফমদা থৌর-থৌরবা কয়ানা বোম-বোম তুথরকপা অদুফাওবা ঙাকপা ঙমদদুনা লৈরিবা অসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মীপূম খুদিংগী পূক্লিংদা মীপাই-থবাইবা পোক্লরিবৈগী মতম অসিদা থুংলরবনি, মণিপুরী মতম ঈশৈগী নুমিৎ, সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২০। থৌরম অসি অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) না কুম খুদিংগী ময়ায় ওইরপ্পদগীনা চাউরপ তৌবা থাক ফাওবদা থৌরম শিন্দুনা লাকখি। কুমসিসু লাল মরক অসিদা থৌরম অসিনা চেল্লিবা ৱাহন্থোক অমদি মসিগী মরু ওইবা কয়াশিং অদু হুন্দোকপা তৌদনা চেকশিন্না লৌখৎতুনা পিক্তক্লা থৌরম অমা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা মমি টি ভিগী ষ্টুদিও রুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এন্টরটেনমেন্টকী শরুকশিংদি অদুক কা হেন্না চাউবা অমদি মপূং ফাবা হায়বদুমক ওইখিদ্রবসু পিক্লা শিনখিবা থৌরম অদুমদি তশেংনা মায় পাকখি হায়না লৌগনি। থৌরম অদুনা নৌনা হৌরক্লিবা নহাশিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংদা মরু ওইবা পাউখোঙ অমা চনবগুম অমদি অনৌবা থৌনা অমা হাপ্পগুম তৌখ্রে। মসিমক্তি থৌরম অদু শিনবগী অচৌবা মহয় য়ানবা অমনি হায়না লৌফম থোকই।

থৌরম অদুদা আর্টস এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়, অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট শগোলশেম টিজেন্দ্র, এদভাইজর ঐচ নবচন্দ্র অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট খাইদেম থোইবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। মমি টি ভিনা স্পোন্সর তৌদুনা থৌরম অদু লাইভ টেলিকাষ্ট তৌখি। মীওই কয়া অমনা থৌরম অদুবু য়েংখি। থৌরমগী শরুক ওইনা অম্মিকনা তোঙান-তোঙানবা চীংগী ফোক/ত্রেদিসনেল ঈশৈশিং অমদি পেত্রিওটিক সোং কয়া য়ুট্যুবতা রিলিজ তৌদুনা মীয়ামদা লান্থোকখি। মখা তারকপদা অখন্নবা সিঙ্গর খরনা ঈশৈ লান্থোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি। তশেংবগীদি অসিগুম্বা নুমিৎ অসিদি কা হেনবা এন্টরটেনমেন্টকী শরুক ইয়াও য়াওদনা একাদেমিক ওইবা ফঙ্কসন ওইনা শিন্দুনা মণিপুরী মতম ঈশৈগী ষ্ট্রগল, ফ্যুচর অমদি আইদেন্টিটিগী মতাংদা একাদেমিক দিসকোর্স তৌদুনা নুমিৎ অসিগী ৱাহন্থোক লৈহনবা অসিনবু হেন্না মরম চাই। এন্টরটেনমেন্টকী শরুক ওইনা অখন্নবা ঈশৈশিং খরা লান্থোক্লবসু কায়দে। এন্টরটেনমেন্টকী শরুক অসিদি অম্মিককী মপোক নুমিত্তা পাঙথোকপনা হেন্না মরম চাগনি হায়না খল্লি। হৌজিক অম্মিক্লা



পাঙথোক্লিবা ওবজার্ভেসন দে অসি মতম খরগী মতুংদদি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোরকপা য়াবগী থাজবসু লৈরিবনি। অদুগুম্বা নুমিৎ অদুদা একাদেমিক ওইনা অখন্ননা পাঙথোকপনা হেন্না চুমগনি। ঈশৈ হাপকে হায়রবসু ইহান হান্না মণিপুরী লোন্দা শকখিবা ঈশৈশিং অমদি থিএটরদা শকখিবা ঈশৈশিং অখন্নবা মরি/মঙাদং লৌখৎলগা মতমগী শৈশকপশিংনা ঈশৈশিং অদুগী ভেল্যু অমদি ইমপোর্টেন্স অদু খঙনা মীয়ামদা লান্থোকপনা হেন্না নিংথিবা ওইগনি খল্লি। ওর্গনাইজেসনগী মপোক নুমিত্তদি মখল কয়াগী এন্টরটেনমেন্ট হাপ্তুনা মপূক্লিং পেন্নবা থৌরম শিনবা কায়দে। ষ্টেটকী গেজেটতা লৈরবা নুমিৎ অমদা কা হেনবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমনা পরেং লেংলগা তৌবা হায়বসিদি মপোক কুমওন্দা ওইনা তৌবনা চুনগনি হায়না ৱারেংজরিবা ইশামক্লসু মমাঙ মমাঙদা হায়জখিবা য়াম্না লৈখি। অখন্নবা নুমিৎ অমগী মরু ওইবা কয়া অদু মীয়ামদা অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা ৱাখল তাহনবনা হেন্না মরু ওই।

মণিপুর মতম ঈশৈ হায়রকপদা মণিপুরী থিএটরবু হুন্দোক্তুনা চৎপা য়াদে। মণিপুরী থিএটরদগী মতম ঈশৈ হৌরকই হায়বসি চাম্মদা চাম্মা চুন্নবা ৱাফম অমা ওইনা পুৱারীদা লৈরি। কুমজা



১৯০২দা মণিপুরদা থিএটর লাকখ্রবা মতুংদা মতম ঈশৈগী খোঙ্গুল মমি তাবা হৌখ্রবনি। মতমদুদা শান্নরম্বা থিএটর খুদিংমক বেঙ্গোলি লোন্দা লোইনমক শান্নরম্মী। মমৈথংদা বেঙ্গোলি অমদি মপানগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা প্লেশিং শানরকই। মদুদা মতাং মতাংগী মতুংইন্না বেঙ্গোলি লোন্দা অমদি বেঙ্গোলি লোন্দগী হন্দোকপা ঈশৈশিং মতেক-মতেক হাপ্তুনা শকপা চৎনরকই। অসুম্না মথং-মথং লাকখিবনা কুমজা ১৯২৫ খক্তদা ইহান হান্না হৌজিক লৈরিবা সনা কোনুং, শ্রী গোবিন্দজীগী নাকন্দা ষ্টেজ শেমদুনা মতমদুগী মহারাজ চুড়াচান্দগী অয়াবা লৌদুনা লৈখিদ্রবা লাইরেনময়ূম ইবুংঙোহলনা ইবা মণিপুরী দ্রামা **নরা সিংহ** হায়বা প্লে অদুদা লমদমসিগী ৱারী, লমদমসিগী মরৈবাক নীংজবগী ঈথিল পীবা ঈশৈ *‘চৎলো চৎসি মৈতৈ পূম্নমক, মাত্রি-ভূমিনা কৌরি ঐখোয়বু’* হায়বনচিংবা ঈশৈ অসি শকখি। মদুদগী মথং-মথং মণিপুরী প্লে কয়া থিএটরদা পুথোরক্তুনা মখল মথেলগী ঈশৈ কয়া হাপ্পা হৌরকখি হায়বসি ময়েক লানা লৈরি । সিগী মতুংদগীদি মণিপুরী ৱারী কয়াদা য়ূম্ফম ওইবা দ্রামা কয়া অমা শান্নবা হৌরকখ্রে। অদুগুম্বা দ্রামা অদুদা মথেল শুনা হাপ্পা ঈশৈ কয়া শকপা হৌরকই। মদু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। অসুম্না দ্রামাগী ষ্টেজদা লৈরম্বা ঈশৈ কয়া শুমাংদা, মাঙ্গোান্দা থোরক্লবগী লম্বী পরম অমা য়াৎপা হৌখি। মতুং তারকপদা অহল লমন কয়ানা কন্না হোৎনদুনা ঈশৈ কয়া পুথোরকখ্রে। ত্রিনাথ খুরুম্বদা ঈশৈশিং শকপা হৌরকখ্রে। অসিগুম্বা ঈহৌ কয়া অসি অমুক গ্রামাফোন রেকোর্দ, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনচিংবা কয়া অসিনা অমুক হন্না মথৱায় হাপ্তুনা মতম ঈশৈগী চপ চাবা ফীভম অমা তারক্লবা শিনবা হৌখ্রে। ঙসিদি মণিপুরী মতম ঈশৈ মশা মরোমদোম লায়না হিংজবা ঙম্বা, মীয়ামগা নক্লা হিংজবা ঙল্লবা পর্ফোর্মেন্স অমা ওইরে। মসিবু আর্ট ফোর্ম অমা ওইবগী মপূং ফাবা মচল কয়ারোমদা পুশিন্দুনা মশা মউ ফনা অমদি ৱায়েৎ থৌয়েৎ য়াওদনা মতিক ময়াই চেন্না লৈহনবা য়ানবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়া অমসু মাঙদা তাদুনা লৈরি। মসিসু মমুৎ তানা খঙ হৈরবা কয়া অমনা মতুংদা পুখৎলকপা ওইসনু।

কুমসি কুমগী ওইনা পিক্তক্লা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী রেকোর্দ অমদি মদুগা মরী লৈনবা চেনেলশিংদা থাদুনা পাক শন্না মীয়ামদা উহনবা অমদি মদুগী মরু ওইবা কয়াশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবা অসিনা হেন্না মরু ওই হায়না মায়কৈ কয়াদগী মীওই কয়ানা মশাগী ওইবা মোত ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১১।১০।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;**
**মেরাগী ২৪ নি পানবা।**

**মেষ :** চেকশিনগদবা নুমিৎনি। ৱা ঙাঙবা লুই, অশাওবনা মাঙজবা অমদি ফিংবসু য়াদবা নুমিৎনি। অনৌবা থৌরমদা য়াওদবা ফগনি। অরং অরাক চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চিন য়াংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মাই পাকপা, হায়জবা তাবীবা, ওইজবা ফংগদবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমিৎনি। খাংবা কনবা অমদি পংশিন্নবনা অশিংবা ওইগনি। তঞ্জাদি মাঙহনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**মিথুন :** হোয়া ফবা অমদি খুৎ চাওবনা নরলদা মাঙনবা তাই অমদি মীৱা থাজরগনা কাইনবতা তাগনি। অদুবু নঙগী ওইবা মীয়াম্নদি চানবীগনি- ৱাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** খন্থরগা পাংবা থৌ খুদিং মায় পাক্কনি। চিংনবা অমত্তা থমদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি। মীয়াম্নসু য়াম্না চানগনি অমদি মীকোক থোংগনি -মতম মাঙহনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অশাওবনা তাথিবা, মরুপ খনবা হৈত্রদি মাঙহনবা য়াবা অমদি হোয়া ফবনা চাদিং হেনবা নুমিৎনি। অদুবু য়েৎনরম্বা কোকচগনি অমদি লন চংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈকাই খুম্নবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাক্কনি, মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা অশা লাকপা নুমিৎনি। খাংঙমদ্রবা, নত্তবা পান্থৈ পান্নবা অমদি তল্লবদি মাঙলনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাকচৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা :** থবক পাংগনি, মীচং খোম্বা য়াগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি শেল থুমগী মতেং ফংগনি। লম চৎপা নত্রগা অরাপ্পগা লোয়নবা পাংদে-চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীপাইবা অমদি শাওনবা লৈগনি। অদুবু পাংঙমদবা থবক পাংবগুম অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বগুম নুংঙাইবদি লৈগনি। হনগনু-চংশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হেন্না অশা চাওগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** শিন লাংবা হৈবনা কান্নবা য়াম্না ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি অদুনা য়াকা য়েংনা চৎলু। নরলদা য়েংশিনবদি হান্নগুম লৈ-লায়থোক্কনু। মরুপ অফবা তাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** কিবা পোকপা, অয়েৎপা চেনবা অমদি য়েংশিনবা য়াল্লসু নীংবা থুংগনি অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি। মীনা ইনশিনবদি মাঙবতা থংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নীংবা থুংলনি, ৱাখল খরদি থোক্লনি অমদি মীচং লৈগনি। অদুবু অনম তানগনু, মৈনা তাথি অমদি মরুপ মপাংনা চানবীবা ৱাৎলি। মীয়াম লোয়নগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশা চাওবা য়াগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** খোইরাংবা মতম মাঙবা অমদি অঙন্বনা তাথিবা লৈ। শাওগৎকনু অমদি হোয়া ফগনু মদুনা মাঙবতা থুংগনি। মরুপকী অমদি ইমুংগী মতেং লৌবা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙথোকপদা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**




অঙাং অমা হোমৱর্ক তৌরম্বদগী মপাদা হংলকই
মচানুপা: বাবা, নিংঙম্মক্তবা হায়বসি করিনো?
মপানা মহাক্কী মমাংদা ফল্লিবা নুপী অদুদা য়েংই।
মচানুপা : ওকে, বাবা ঐ খঙলে।

**ট্রেন অমা দিমাপুরদগী গুৱাহাটি ফাওবা চৎনবগীদমক মী কাখৎনরকই**

তোম্বসু ট্রেন অদুদা তোংনবা কাখৎলি অদুবু মানা কাখৎলিবা ট্রেনগী কম্পার্টমেন্ট অদু মীনা পীক থন্না খোঙ থম্ফম ফাওবা লৈরমদে। অদুবু মহাক ৱাবনা তুমদুনা নুংঙাইনা গুৱাহাটি ফাওবা চৎনিংবনি। সিট ফংনবা হায়দুনা আইদিয়া অমা পুথোক্লদুনা মহাক্লা লাউবা হৌরক্লম্মী ‘লিন অমা লৈরে, লিন অমা লৈরে’ কম্পার্টমেন্ট অদুদা লৈরম্বা মী খুদিংমক থংনবা কম্পার্টমেন্ট অদুদা লোয়না চেনখি। তোম্বা ৱারুবগা ফজবা সিট অমা খল্লগা নুংঙাইনা য়াম্না থুনা তুমথখ্রে।

চা য়োনবা মী অমনা চা... চা... হায়না লাউরগা লাকই।

তোম্বা : চা অমা পীরকউ হায়না চা লৌরগা হংলকই- কদাই য়ৌরগে ট্রেন অসিবু?

চা য়োনবা নুপা অদুনা হায়রকই : দিমাপুর

তোম্বা : করিনো হায়সিবু ?

চা য়োনবা নুপা : ঙরাং নুমিদাং কম্পার্টমেন্ট অসিদা লিন অমা থোক্লকই হায়বদগী কম্পার্টমেন্ট অসি তোঙান্না লৌথোক্লগা থল্লম্বনি....!!!

**ইন্টরভিয়ু লৌবা মীওই অদুনা হংলকই : অদোমদা রিস্ক টেক্কিং কেপাসিটি কয়াম লৈবগে?**

কেন্দিদেট : সর, মথংগী মপোক্তসু হৌজিক ঐনা লৌরিবা নুপী অসি অদুমক থুংহনবিয়ু হায়না তাইবঙমপুদা খুরুমজৈ।

নাওবা : তোম্বা, নঙগী মায়দু করিগী পোল্লিবনো?

তোম্বা : ঙরাং ঐগী নুপীগী বর্থ দেনি হায়দুনা কেক পুদুনা লাকই।

নাওবা : কেক্কা মায় পোম্বগা করি মরি লৈনগে?

তোম্বা : ঐগী নুপীগী মমিং পুনম কৌই। কেক য়োনবা মী অদুনা মমিৎ থক্তুনা কেক অদুদা ‘হেপ্পি বর্থ দে প্রোব্লেম’ হায়না ইশিল্লকপদগীনি।

দুকান ফম্বা নুপামচা : ঐনা দুকান অসিদা লৈরিবা খোংউপ অমত্তা খাক্তনা লোয়না য়েংহল্লে। হৌজিক্তি অপাম্বা অমা হায়বিরো?

নুপী অদুনা হায়রকই : আদা লৈরিবা বোক্স অসিদা করি য়াওরিবগে?

দুকান ফম্বা নুপামচা : ইবেম্মা, ঐবু ঙাকপীরো আদা লৈরিবা বোক্স অসি ঐগী টিফিন বোক্সনি।

ঐখোয়গী মণিপুরী লোল য়াম্না মপুং ফাবা লোল অমা ওইবত্তা নত্তনা মীওইবগী ইনর্জিসু য়াম্না শীজিন্নহন্দে অমদি মতমসু চংহন্দে য়েংবিয়ু :


ইংলিস : আই এম সোরি, আই কেন নোট হিয়র য়ু প্রোপরলি, কেন য়ু প্লিজ রিপিট হ্বাট ইজ দি মেট্টর?

মণিপুরি : ‘করি?’

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Dog
By: Sansiliya Salam
Class: III Sec: A Roll No.
School: KV2 Langjing




Title: Elephant
By: Trisil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 3
School: SL Arena of Learning




Title: A Girl
By: Trishini Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 4
School: SL Arena of Learning




Title: Embroidery
By: Rupashree Elangbam
Class: 2 Sec: E Roll No. 2
School: Pitambara English School



Title: Rabbit
By: F.M. Roshni
Class: III Sec: B Roll No. 34
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: Doctor Save Earth from COVID-19
By: Asem Shirinibhas Singh
Class: IV Sec: Carnation Roll No. 06



Title: A Beautiful Fairy
By: Prency Laishram
Class: IV Sec: Diamond Roll No. 13
School: Heritage Convent School



Title: Coronavirus Awareness
By: Nancy Lukram
Class: IV Sec: Garnel Roll No. 26
Address: Heritage Convent School



Title: Chirping Bird
By: Oinam Baskar Singh
Class: V Sec: B Roll No. 78
School: Brilliant Public School